"হূরানবা মশক খঙদ্রবদি মপুনা নরক তাই।"
- *শীতলজিৎ (থাদোকপা)*

## থাজগী মঙাল

**—এম নিলকুমারি**

চাংদম্নরল্লগে পানখৎলকপগী থাজগী মঙাল
চাংদম্নরল্লগে শিথরকপগী মঙালদুগা
থেংথরক্লগা হেন্না অরংবা মঙালনরিবা
কনানা হেল্লি থানিলগী মঙাল
শিথরকপগী মঙাল
অনী অসি চাংদম্নগদবা কনানো?
হায়নীংলি মীচিক মীরাওখোল তাদ্রবা
লমগী চেল্লো-চা কয়াসু মহুম মকোন শংখ্রবা
থেংল-থেংলগা ময়ায় কারিবা থাবলগী মঙাল
কনাদসু মীচং শঙ্গন লৈখিদে-উবিবগী হরাওদে
য়েংবীদবগীসু ৱারৌদে।
মায়কৈ থুংনা ঙাল্লি চৎলি-লেংলি লেংলি
চৎলি হায়বা খঙহন্দনা
ও: নহাক ওইরেকো
ঐগী মীগী নাইদবা লম্বী লমশাং খায়দবা
তমজহৌসনু মতানি থৱায় পানবা খুদিংদা
মেরাগী থানিল-হিয়াঙ্গৈগী হরিউথান
তরানিথোইনি পানবা।
লমদাগী মপূং ফারবা পুর্ণিমা
পূম্নমক চাংদম্নফমদগী ৱাংমা লানখ্রবা
চাংদম্নফম লৈত্রবনি থাজগী মঙাল।

## উনা উনা মাঙখ্রে

**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

লম্ফেল পাৎকী অচিকপা
পাৎ অসিগী নিংথিবা,
লমলক্কী উচেক-ৱায়াশিংনা
মনিং তম্না শান্নজরম্বা
উবা ফংখিদরে ঙসিদি
লাঙ্গোল চীংশাংগী
নিংথিজরবা মশক,
উপাল-ৱাপালশিংনা মনিং তৌনা
হাইনা হুম্না লেপ্লম্বা
কদায়, কদায়দা চৎখ্রবগে?
নুমিৎনা চীংয়া পাংলকপা
যূমগী কাওরেল কয়ানা
হাংলবা লৌবুক লমহাং
থাদোক্লমদুনা ময়ুম মায়কৈ
পাংলকপা উখিদরে ঙসিদি।
পাৎ অসিদা লৈরম্মী
লৈরাংনা লৈশাৎ তম্লম্মী
লম্ফেল নাৱা কোম্বীরৈ
নুংশি ৱাইথুংনসি
ৱাশক পরৈ শক্লখিবা,
লৈরাংদো ঙসিদি উখিদরে।
নুংশিখ্রেদা, পাম্মুখ্রেদা
নুংশি, নুংশিনা, পাম্মু পাম্মুনা
মাঙখিবা তারেদো।

## ইয়োং পোলাং

**—জয়ালক্সমি নামৈরাকপম**

খ্বাংচেৎ লাক্লা ইয়োং কা
নুংশিদা...
লৱাই শানা পোলাং পু
পাম্মুইদা...
ঈশিং থক্লা চাদ-উত্ত,
চাবা শা...
খজিক চাবনা মমল লৈহন
কল্লকইদা নঙসে।
অসুক হক্লা নুংশিবা ফাওরিবা
কনানো? পলেমলা?
অসুক হক্লা পাম্মুবা ফাওখ্রিবা
কনানো পম্থৌরা?
চাদ উত্ত খ্বাংচেৎ লাক
কনানো? পলেমলা?
লৱাই শানা শাদ শা,
কনানো পম্থৌরা?
মীৎকী কুম্মৈনা উদব্রা নঙদি
খ্বাংচেৎ লাকপা নমাগী,
নবুক থনবনা খঙদব্রা নঙদি
খজিক চাবা নপাগী
চাব শানা খ্বাংচেৎ লাক
চাদ শানা চাদ্রে নমাদি...
খুপাই কুম্মৈ নুংঙাইব্রা নঙদি,
মচা ওইবা নঙদি
ফত্তেদা নঙসে অদুবু ফৈদা
নমাগী মীৎতা...
ওইরোইদ্রা নঙসে অদুবু ওইনিদা
নপাগী মীৎতা...

## লমন

**—কাংজম হেমন্ত**

পলেম নঙবু নুংশিবী
পম্থৌ ইপা অপোকপা
কুমজা কুমওন য়াল্লক্লে
চেংলৌ শক্তম উরক্তবা,
য়াওব্রনে নখোয়বু
অতিয়াগী থা থৱান্নীচাক্লক্তা
পাইরিবা নোংদোনথক্কী চেক্লা শঙ্গুলক্তা
তোংলিব্রা কাইদোংদুনা
পামেল উফৈথকসিদা,
ওইব্রনে!
চাক্তারিবা লমখুনুশিং
ইঙ্খোল চাইগোন্নুংসিদা।
নচানা পাঙ্গল চাওদ্রিগৈঙে
অঙাং নৱা ওইরিঙৈ
খমনুং শাৱা তানখিদো
থাদোক্তুনা নচাবু,
ঙমজহৌদে নচানা করিসু
নখোয়গীদমক।

তমজরগে ঙসিদি
চেঙ থোইদিং হৈ লৈ খরদং
লাংবন থানা লাকপসিদা
অশেংবা ফিজোল শেত্তুনা
শকচরগে পলেমগী
শীংঙমদ্রবা খোল্লাং লমন
পম্থৌগী য়োকচমল,
নীজরি, মপোক মপোক খুদিংদা
নচা ওইনা ফংজবা পীনবীরম্মু।

## কৎলসি ঈ লৈবাক্কী

**—নাওরেম মঙ্গি**

কৎলসি ঈ লৈবাক্কীদমক
থারসি থৱায় হৌরকফমগী
কিদে ঐখোয় অচুম্বগীদমক
হন্দ্রি থৌনা ঐখোয়গী
ঙাক্কনি লৈবাক ঐখোয়না।
লাক্লো ইচিন ইনাওশা
মৈতৈ নোংশা পাঙ্গনবা
থৌনা ফবি মমোল্লোই
য়েক্লবা লম্বা পারসি
থৌনা লিংজেল উৎলসি।
মীতৈগী শীংলি খুদিংদা
মীতৈগী ঈনা চেল্লিগৈঙে
মীতৈগী পোক্লফম লমদমসে
মীতৈনা চেকশিন্না ঙাক্লসি
থাদোক্লসি থৱায় লৈবাক্কী।

## হৱাদো লৈরাংদো

**— ডা. এ কে ইবোহল**

থায়না থায়না মমাঙঙৈগী
ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈগী
খঙনা খঙনা হৌখ্রবা
উনা উনা চৎখ্রবা
মীৎকুপ কয়াদো নুংশিবা
অমুক হন্না হল্লক্লরোইকো
পাম্মুইদকো নুংশিদকো মতমদুগী
হৱাদো লৈরাংদো শকহেনবী :
ঈংনা চিক্লা লেন্নরম্মী
ঈশিংসু নুংশিৎসু শেংলম্মী
মরাং কায়রম্মী পুখ্রি খোংবান
পীক থল্লদুনা লেল্লে ঙানা
অতিয়াদা থাজ-থৱান ময়েক লারক্লে
য়োমখ্রবদা উফুল মৈখুগী কুয়োম্না
ঙাসেপ, ঙাতেন, ঙাকিজৌ, ঙারোই
ময়ূম থাদোক্লম ঙম্নমক চেনখ্রবরা?
লৈতেংলম্মী যুমথোঙ খুদিং শুমাঙ-থেলোংনা
য়েন্নখা-লুখা লংত্রিক লংনরম্মী
লুহোং-খোংদোংবা, থৌদোক-ৱাথোক পূম্বা
যূমগী খরাই থোঙ্গাল লাম্থোক্লরমদে
হৌজিক্লা 'কম্যুনিতি হোল'দা ঙাক্তা
ইপা-ইচা খূৎশম্ননা খ্বাইরম্বন্দ কান্নদ্রে
অমাজোন, ফ্লিপ কার্ট ওনলাইন শোপ্পিংনা
ঙম্নমক মুনবীখ্রে কৈথেল কাবগী নুংঙাইবা;
লৈকায় লৈকায়গী লম্পাক খুদিংদা
চেন চোংদুনা শান্নজরম্মী অঙাংশিং
মশা মউ ফরম্মী, তিঞ্জং কাইজংলমদে
হৌজিক্তি ৱাংল চেকপল মরুমদা
মোবাইল, ভিদিও গেমস শান্নবদা
মরূ ময়াং শুম চানরে, মমীৎ ঙন্না শোক্লরে
মসিরা চাওখৎপা, মসিরা নুংঙাইবা
মীওইবা খুন্নাই ঐখোয়না তাল্লিবা?

## শিবগী চেংজেল

**—হাশন সনা এম এম**

অমম্বনা লাঙ্গোই চনশিল্লক্লবা
হৌখ্রবা ৱারী কাউশিল্লক্লবা
পুন্সিগী লোইশিল্লকপা শরুকসিদা
ফাওরক্লি ঙসিখক্তা নীংঙমদবা
কিরক্লি পন্থুংফমনা নকশিল্লক্লবদা
তৌহৌদে থৌরাংসু পুন্সিনা
চমন্নরবা পুন্সিনা ঙসিদি
চংশিনসি কদাই হন্দোকসি করম
কদাইদনো লীৎতুনা চেনগদবা
পন্থুংগী থোঙজিন্দা লেপ্লবসিদা
অশিংবসু ঐখক্তগী মখঞ্জখি
অকনবসু ঐনা মরোইরে নীংজখি
য়েংলুখি ফজবা মায়কৈতমক
য়েংনীংলুদে অথীবা মায়কৈদুদি
খল্লুদে নোংমতসু তাখিনি নুমিৎসে
খোঙচৎসিদা পুগদবা কয়া
খল্লুবা তৌরুদে নোংমতসু
পুবসু য়াররোইদবা কয়া
থল্লুখি চেৎনা কোন্দুনা
শেন্নজখি চিথ-নাম্থহৌদনবা
কয়াদা পঙখ্রবনো ঐসে
লোম্বা নাইবা মপোকসিদা
থম্মোয়গী অপাম্বদা ঙাওজখি
হকচাংগী কয়াৎ খুদিং
মপু নত্তনা মপু শাজখি
কয়াদা পঙহৌরবা ঙসিদি
মতম্না পুল্লোই লোইখ্রবসিদা
নঙদি ওইরকউ অশিংবা
ঙন্না য়োমশিনজহৌ পোৎয়োমদো
নুংঙাইবা পুন্সি ফংলুনবা
লোইনাইদ্রবা মফমদুদা।

## চাং য়েংবীয়ু

**—ইরোম মোবি**

কনা অমত্তদগী শেল লৌদনা
চাক চরা অমফাও চাদনা
অপাম্বা মীশক্তা ভোট থাদবা
য়াম্না নুংঙাই।

**মতম মতমগী ৱাখল**

# ঈশৈ হৌরক ৱারী লীখুন

ঈশৈগী মতাংসি মশক নাইবা মিউজিকোলোজিষ্ট কয়ানা মাগী মাগী ওইবা ৱাংঙুলোন পীদুনা লৈনৈ । ঐখোয়গী লমদম মণিপুরগী ওইনা ঙল্লিঙৈদগী ঈশৈ শকলকখি হায়বসিগী মতাংদা অরীবা লাইরিক 'থালোয় নোংখায়লোন'দা অসুম্না পল্লি ।

'নুমিৎ শীংবুম তারানি শুরবগা শাগৈ য়েকলুপ পূম্না য়ুমশেং নাহাইয়ে ? পলেম পীবুকনুংদা লৈঙৈদি হৌসি ঙমগা চিংনা সিথিনফদবনে ।। মথৌ য়াংগেন থৌখৈনদবনে ।। অদু নোংগীবু পলেম পীবুকনুংগী লোইদাম থাবুম তরাবু নুমিৎ শীংবুম তরানিদা সুপ্না লাক্লগা নুমিৎ শীংবুম তারামাথোইনিদ মালং পান্দ লৈঙমলে ।। অদু নোংগীবু কোরৌ নুমিৎ শীংবুম তারামাথোইনি শুরবগা সুমাঙ থাবমলেন্দা হৈরাং পূঙমায় শেম, লৈরাং লৈহুন তম...তরেৎ শেনফাং কাগুপ খীং কোরৌ নোঙ্গা লীরোল শৈবু অশৈ তেরান লাউনা খানিং মিকোল শক্লেয়ে ।।'

চৎনরকপা ওইনা ঈশৈ শকপা হৌদ্রিঙৈদা অমাইপিনা ঈরাৎফু অমসুং ফম্বাল লাৎপগী থৌরম পাংথোক্কনি। সোন্নপূঙগী অৱাং কৌব্রু পাংবদা শিখিবা মী অদুগীদমক্তা ফল্লেন শেমদুনা থারিবা অদুদা মী অদুনা শীজিন্নরম্বা মফি অমা য়াওনা মী অদুগী শেৎন-ইন্নবা অনৌবা ফিরোল অমদি চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমাইপীনা পুং ঈশৈ য়াওনা কৎকনি। সোন্নপূঙগী শঙলেন মপু ওইবা লাইদি চীংঙু খোইয়ুম অশীবা শন্থোং নিংথৌ অপানবা লাইয়িংথৌ সনামহীনি । মহাক্কী থৌগল ওইনা অখঙবা অহল অমা ষন্থোং পানবদা লৈরিবা ফম্বালগী মনাক্তা ফমদুনা লৈগনি । মহাক্লা য়াথং পীরবা মতমদা শৈশকপশিংনা ঈশৈ শকপা হৌগনি। য়াথং মরোন্দি -'চীংঙু খোইয়ুম লাইৱা অহকপা, লাইশোল নুংঙোলববু, ৱাংলেন পুঙখৎতোয়, তরেৎ শেনফাং য়ৈন শৈশক শৈহৌরসে, হয়ি-হয়া-হয়ুম ।। '

শৈশকপশিংনা ঈশৈ শক্লিঙৈদা অমাই পীবানা হৈরুক মঙা পুশিন্দুনা পুং য়ৈবা, শৈশক পুরেল, খোনপাংবা, পুরেল লম্বা মঙা অসিদা য়াইবী থৱায় মঙাগী নোঙকারোল লাইশোল পাংথোকপীনবা শিন্নগনি। শৈশক পুরেলনা লুচিংদুনা লাইওইখ্রবা মী অদুগী য়াইবী থৱায় মঙাবু মমা মপা, তাউহুইরোই, ওকপুরোই, থাদোন, থায়ায়, থবা, শজিক, লোইদাম থাজ অমসুং কোরৌ নুমিৎতা মথং মথং শান্নবীগনি।

ঐখোয়গী ঈশৈগী চৎনরকপসি ঙল্লিঙৈদা মৈতৈ নৎত্রগা মীতৈ ঈশৈ হায়বা অমত্তা লৈরক্তে । ঈশৈদি ঙল্লিঙৈদগী শক্লরক্লে হায়বসি চুম্মী। লাইহরাউবদা শক্লরিবশিং- য়াকৈবা, ৱাকোন ঈশৈ,লৌতারোল,হিজন হিরাউ,ঔগ্রি অসিনচিংবনি । অতোপ্পা ঈশৈ মখল খর পেনা শকপা অশৈবশিংনা ঙল্লিঙৈদগী শক্লরকই । চকপা হায়না খঙনরকপা লমদমসিদা ঙল্লিঙৈদগী খুন্দারক্লবা কাঙলুপশিংনা শক্লবা অশৈ তোরারান, নোংকুমলোন নোঙকারোন, লমইন অসিনচিংবশিংসু লৈরি। ফোকসোং হায়না খঙনবা খুল্লক-লৈরক্তা, শুম্মাং থেলোং, লৌবুক লমহাংদা শক্লবা কয়া অমসু লৈরি। মরুওইবা মচং খরতং লৌখৎচবনি। ঈশৈগী মখলসি অমমম্নি। খুল্লং ঈশৈ, নাউশুম ঈশৈ, মৈরিং ঈশৈ,নোংলাউ ঈশৈ মখল কয়া অমসু লৈরি।

হৌজিক্কী মতমদা সনামহী লাইনিং চৎচবশিংনা লাইনীং লাইসোনগা মরী লৈননা শক্ল-শোন্নবা ঈশৈবু মৈতৈ/মীতৈ ঈশৈ হায়না খঙনৈ । অমরোমদা তেংবানবা মপুগী মতীক ময়াই শক শোঞ্জববু ইনাৎকী মৈতৈ/মীতৈ ঈশৈ হায়না অহল লমনশিংনা থন্বীরম্মী। অয়াম্বনা ঈশৈ ময়েক শৈশক শৈদা মান্নে । ঈশৈ শকপীগদবা মীওই অসি কাঙলুপ অনী থোক্লা নুপাগী কাঙলুপ অমদি নুপীগী কাঙলুপ হায়বদি নুপা ঙাক্তা শকপা ঈশৈ অমদি নুপী ঙাক্তনা শকপা হায়দুনা অনীথোক্লা চৎনরি। ঙল্লিঙৈদদি নুপা ঙাক্তনা শক্লরম্মী মথংদা নুপীনা অপোরা মপুগী তুংনফম ঈশৈশিং অসি শকলকখিবগী ৱারী ৱাখোং থেংনরকই। নুপা নুপী কাঙলুপশিং অসি না ঈশৈশিং করম্বা কুমশীং থবানদগী শকপা হৌখিবগে হায়বগী চপ চাবা ফংবা ঙমদ্রগসু য়াম্না কুইরবা মতমদগী লমদম অসিগী সনামহী লাইনীং চৎচবশিংগী মরক্তা শক্লরক্লে হায়বসিদি য়েৎননিংঙাই লৈতে। মৈতৈ ঈশৈ য়াম্না লীরবা লমদমসিদা শক্লরক্লবা অমনি।

নাৎকী ওইবা ঈশৈ অসি মপূংওইনা শিন্তাকপা অহল-লমনশিংনা থৌরম খরগী ওইনা মরুওইনা শেন্বীরম্মী। মরুওইবা থৌরমশিং অদুদি- নোংকুম্বা-নোংকাবা, ঈরাৎ লাইশোল অসিনচিংবনি। মতমগী হোংলক্লিবা থবক থৌরমগা মরী লৈননা অখঙ-অহৈ শিন্তাকপীবশিংনা থৌরমগী মতুইংন্না হান্নগী মপূংওইবা ঈশৈ খরসিদগী পাকথোক চাউথোকলক্তুনা শক্ল শোন্নবা ঈশৈ ময়েকশিং শেম্নরকখি। ঙসিদি তোঙান তোঙানবা থৌরমশিংদা শকপা য়াবা ঈশৈ মখল কয়া লেংথোক্তুনা শক্লরে।

থিজিঞ্জবদগী ফংলকপা খরদং পনবা তারবদি- ইপান থৌরমগী, নাহুৎ নারেংথৌরমগী, লুহোং কৈহোংবগী ঈশৈ, লাইমাং নৎত্রগা ফম্মাং থৌগল ঈশৈ, মঙানি লৈহুন থৌরমগী ঈশৈ, লান্ন থৌরমগী ঈশৈ, কুমওন ফিরোয় থৌরমগী ঈশৈ অমদি অতৈ লাইনিং লাইশোনগী ঈশৈশিং অসিনচিংবশিং অসিনি।

মৈতৈ/মীতৈ ঈশৈ অসি লাইনীং-লাইসোলগা মরী লৈনৈ । লাইনীং লাইসোল হায়রিবসি অরীবা সনামহী লাইনীং অসিবুনি। মালেম অসিদা মীওইবা কাঙলুপ কয়া লৈরি । মীওইবা খুদিংমক মখোয় মখোয়গী লোন মান্নবা, পূন্সি মহীং মান্নবশিং পূনশিন্নরগা কাঙলুপ শেম্নে। কাঙলুপশিং অদুনা য়ানরগা চৎনবা শাজৎ অদু মখোয়গী লাইনীংনি। কাঙলুপশিংগী মনুংদা অপীকপা কাঙলুপ অচৌবা কাঙলুপ হায়না শরুক অনী থোক্লা লৈ। মতম পূম্নমক্তা অপীকপা কাঙলুপপু অচৌবা কাঙলুপ্না নমথনবা হোৎনবা, মখোয়গী কাঙলুপ্তা য়াওহন্নবা হোৎনবগী থৌরাং অসিদি ঐখোয়গী লমদম অসিগী ওইনসু ঙল্লিঙৈদগী অদুমক লাক্লবনি। ঐখোয়গী লমদম অসিগী হৌরকলোন, লৈশেমঙৈগী ৱারী লৈজরি। ঐখোয়গী লমদম অসি নীংথৌ পাল্লকপা লৈপাক্লি। নিংথৌরোল কয়া লৈখ্রে । নিংথৌ হায়বসি লৈপাক্কী মপূনি। নিংথৌবু লাইনি, লাইগী লাংওন্নি, শাইওন্নি হায়না নীংনরকই। মহাক্কী থৌদা মখাদা লৈপাক মীয়াম্না খুদুং ইল্লিবনি। মহাক্লা য়াদবা, পামদবা অমত্তা নিংথৌগী মায়োক্তা চৎথনদে। করিগুম্বা চৎথবা তারগদি অহকপা চৈরাক ফংগদৌরিবনি। অসিগুম্বা চৎনরকপা লৈঙাক অমগী মখাদা শাংনা লাকখিবা অদুগুম্বা ঐখোয়গী ইরৈপাক ইরমদম্নি হায়বসি অরীবা লাইরিক লাইশু কয়ানা ময়েক লানা ইদুনা থম্বীরম্লিবশিংদগী খঙবা ঙম্মী ।

লাইনীং লাইশোন হায়বসি কোগ্নিটিভ কম্পোনেন্টকী মনুং চনবা থাজবা (faith) হায়বা অদুনি। লাইনীং লাইশোন হায়বসি ইংরাজিগী রেলিজন ( religion ) হিন্দুনা ধর্ম্ম হায়বা অদুনি। লাইনীং লাইশোন হায়বসি ঐখোয়না খরা কোমথোক্লা লাইনীং লম্বী হায়নবসু য়াওই। লাইনীং লাইশোন থৌরমগা মরী লৈননা পাংথোকপা মতমদা লুনা, কিনা অমদি চেকশিন্না ঐখোয়না পাংথোক্লে। মসিগী মরমদি লাই তীনগীনি হায়বা ৱাফমসিদগীনি। লাই তীনগা মরী লৈননা তম্বা নৈনববু ইংরাজিদা থীওলোজি হায়। থীওলোজিগী মনুংদা তোঙান তোঙানবা কয়ামুক লৈরি- **থেইজম** (লাই লৈ হায়বা থাজবা), **এথেইজম** (লাই লৈ হায়বা থাজদবা), **স্কেপ্টিসিজম** (লাই লৈ হায়বসিদা চিংনবা লৈবা), **এগ্নোষ্টিসিজম** (লাইবু মীওইবনা খঙবা উবা ঙমগনি হায়বা য়াদবা), **পেন্থেইজম** (পোৎলম খুদিংমক্তা লাই লৈ য়াওই থাজবা) **পোলিথেইজম** (লাইয়াম লৈ থাজবা), **ত্রাইথেইজম** (তেংবানবদা লাই অহুমখক্তমক লৈ থাজবা), **দুয়েলিজম** (লাইদা অফবা লাই অমদি ফত্তা লাই হায়না অনীখক লৈ থাজবা), **মোনোথেইজম** (লাই হায়বসি অমখক্তনি থাজবা) অসিনচিংবশিংনি। এলেক্স থীওনদি মহাক্কী মীৎয়েংদা -**থেজিম, এথিকেলিজম অমদি এনিমিজম** হায়না মখল অহুমখক্তমক খায়রম্মী। **এনিমিজম**গী মনুংদা **সমানিজম, তোতিমিজম** লৈ। অকোনবগী এনিমিজম অসি ঐখোয়গী লমদম মণিপুরদা চৎনরিবা লাইনীং লাইশোনগী মঙং অসিদা নকশিল্লি ।

ঐখোয়গী লমদম অসি ঙল্লিঙৈদগী মশাগী লৈঙাক লৈজরকই। লৈঙাকলোন দা খুদোং চানবা নিংথৌনা মাইচৌশিংগা তান্নরগা মানা মানা পুনগদবা মশিল য়েন্থোক্তুনা থৌ পুহনবীরকখি । অশৈবা হায়বসি ঈশৈ নোংমাই শকপা মীওইশিংবু খঙনরকই। অশৈবা হায়রগা মরুওইনা পেনা ঈশৈ শকপশিংবু খঙনৈ । পেনা ঈশৈ শকপশিং অসিনা কোনুং মনুং অমদি লৈপাক্কী লাইথৌ তিনথৌ, কূম্ভো ফিয়োংশিংদা মখোয়গী মথৌ পাংথোকই। মসিগীদমক মশিল অমা ওইনা অশৈবা লোইশঙ হায়বা অমা কুম ৫৮৬ শুবা মতমদা পানখিবা লাইনিংথৌ নাওথীঙখোংগী মতমদা হায়রিবা অশৈবা লোয়শঙ অসি লীংখৎখি। অসিগী মতুং তাবা কুমশীং ১০৩২ লাইনিংথৌ লোইয়ুম্বনা পানবা মতমদা য়োয়রেল শঙ,মাইবা শঙ হাপচিনখি অমদি অশৈ,অমাই, য়োইরোল হায়দুনা শঙ অহুম অসি অমত্তা ওইনা লৈপাক্কী থৌরম থৌদাশিংদা পূন্না পুহনবা হৌরকখি । অশৈ হায়বদি পেনা ঈশৈ থৌগল চঙগদবশিংনি, অমাই হায়বদি লাইশোন তিনশোন তৌগদবা অমাইবশিংবু খঙনৈ য়োইরেল হায়রগদি লাইথৌ তৌগদৌরিবী অমাইবীশিংবু খঙনৈ । লাই হরাউবা থৌরমদা অশৈ অমাই অমদি য়োইরেল অহুম অসিগী থৌদাং অসি চাউনা শরুক য়াবা ঐখোয়না থেংনরিবসি লৈবাক্কী মশিল থৌদা অদুগী মতুং ইন্নানি। ●

**--মাখোনমনি মোংসাবা**

**ৱারী ককনাউ**

# ঐনা ঙাকপিরে

"কদাই চৎলুইনো?"

"থবক অমা চৎলুবনি"

"কদাইদা?"

"কৈগীনো, য়াম্না হংখ্রেদা? ঐসু কৈসু চৎনীংবা নত্তে, চৎতবা য়াদদনা চৎলিবনি। লৈরিবা ফীভমসিদা যূমদা সুম নৈশিন্দনা লৈরগা কমাই তৌনি, ইপামলোমদা চৎলুবনি, কৈনো খরা থিরুবনি?" মশাদু ইচোক চোকথরবা থোইবীনা ফমুংদা মফি ফাও হোংদোক্তনা লোংনা হিপথরগা শ্বর অশাংবা অমা হোন্দোক্তুনা পোত্থারি।

চাওবা ৱা খরদি হায়নীংলিবনি, অদুবু হায়বা ঙমদে, মরমদি মা য়াম্না পাঙদে, মাগী নুপী অমদি মচাগী মনিং থুংহনবা ঙমদে, ইমুংগী ওইরক্লিবা ফীভম মা খঙই। মাসু কন্না হোৎনজবনি, অফংবা থবক শুদুনা ফনা য়াম্না হোৎনৈ হায়দু ঙাই। ফীভম শোকচিল্লকপনা হেল্লি, অদুসু নুংতিগী থবক ফংবা নত্তে। লোংনা তারিবা থোইবীবু নুংশি-চিংনা মীৎয়েংনা য়েংলগা মনাক্তা ফমথৈ। অদুবু থোইবীদি ৱা অমত্তা হায়রকত্রে, চেপশিল্লগা হিপ্তুনা লৈথোকখ্রে।

হন্দক মরকসে থোইবীগী শাজৎতা মাগী মপুরোইবা চাওবনা চিংনবা খরা লৈ। অদুবু মা হায়দে। মপূক্লিংদা মাগী নুপীবু করিগুম্বদা খম থেংনা ৱারৌবা পোক্লবসু, থোইদোক্লা ৱাহৈনা মচিন পেন্না চৈবা ঙাঙবা হৌজিকফাওবগী ওইনদি তৌদে। চাওবা লায়রবা হায়বা ময়ামদুগী মরক্তা খ্বাইদগী হেন্না লায়রবা মীশকনি। মীঙোন্দা হায়জ নোঞ্জবা অমদি ৱাচৎ-ৱানোম্বা কয়া হৈনজদে। লাইরিক লাইশু ফনা য়াম্না ফনা হৌরকপনি। অদুবু মাগী সর্টিফিকেটতুনা মঙোন্দা করিসু মতেং পাংদে। থবক্কী য়াওখ্রিবা ইন্টরভিয়ুসি মশীং খঙখিদ্রে, অদুবু অমুক্তা মায় পাকপা হায়বদু লৈতে। মচাদি অনী শুজিল্লক্লে অমদি স্কুল কারে, স্কুলগী ট্যুসন ফী থিবা ঙমদে, ভেন অতোংমল পীবা ঙমদে। অসুক্কী মতিক ফীভম শোক্লে।

থোইবী মাগী মপুরোইবদা হায়না-তানবা ফনা য়াম্না হোৎনৈ, কৈদৌরুনি, পাম্বৈ লৈতে। অয়ূক নুমিদাংগী চারা ফাওবা চাবা ঙল্লক্ত্রে। কয়াদা ফীভম শোক্লবনো? মখোয় অনীনা ময়ূম পানদ্রিঙৈ মতমদা মঙজখিবা মঙলান পূম্নমক অরেম্বা তারে, মঙফাওনবা ঙমদ্রে। পূম্নমকশিং অসিনা চাওবা মাগী নুপীদা কৈসু থোইদোক্লা ৱা হায়বদি ঙমজদে, অদুবু মপূক্লিংদা হন্দক মরকসি পেন্দবগী ইনিল খরদি মোং হাদনা মথম্মোয়দা কন্না কারক্লি।

নুমিৎ ১৫নিগী মতুংদা নোংমা নুংথিল অমা চাওবা থিকাদার অমগী থবক কন্না নুংশা মরক্তা শুরি। নুংশাগী মৈশানে, মপাঙ্গল পূম্বা পুথোক্তুনা থবক কন্না শুবনে, হুমাংনা মশা পূম্বা পুমচোৎ চোৎলে। মতমসিদনি মখোয়গী লৈকায়গী মীওই অমনা হোবে-হোবে চেনশিল্লক্তুনা চাওবগী নাকোংদা ৱা খরা হায়রম্বদু। চাওবা ৱা অমত্তা ঙাঙদে, তূমিন উংলি, পাউ পুরক্লিবা নুপামচাদুগা লোয়ননা মহাক মফি হোংদনা লাক্লে।

লৈকায় ক্লব অমদা মী ময়াম অমা তিল্লম্মী। চাওবা লাকপা উবদা ময়ামদু ৱা-ৱা নিনবা হেনগৎলকই। নুপামচাদুগা লোয়ননা চাওবা ক্লব মনুংদা চঙশিল্লুবদা মহাক্কী নুপীদু মকোক্তা ফি অমা খুমদুনা নুপা অমগা মশা ইতা তাশিন্দুনা ফম্লগা লৈরম্মী। চাওবা মাগী নুপীবু মুন্না য়েংলগা মমিৎতা মপি লেপ্তুনা তারকই। ক্লবকী সেক্রেটরিনা শাওনীংনা ঙাঙবদু মুন্না তাই।

"হে নুপী ওক্তবী, হৌজিক্তি নঙগী নুপা লাক্লে। নঙগী নুপাগী ৱা মতুংইন্না নহাক ঐখোয়না হায়বা য়াগদবনি, করিগুম্বা মরৈ-তুরৈ তৌরবদি নহাক নশমদু নরূ কোক্লগা মীয়াম মাঙদা খোঙ্গোইনগনি। চাওবা নঙ শাওগনু, নঙগী নুপীসি নুপাসিগা অরোনবা মরী লৈনরিঙৈদা ক্লবনা ফারে। মহাক হৌজিক নঙনা লৌশিনগে হায়ব্রা নৎত্রগা নুপাসিদা কৈন্যা কৎলুরা?"

থোইবী মাগী নুপাদা তপ্না মমায় লৈখৎলক্লগা য়েংলকই। চাওবা মাগী নুপীগী মীৎয়েংগী ৱাহম্থোক খঙই।

"ঐ থোইবীবু পুজখ্রগে, ময়াম লান্না লৌবীগনু, হিংনবগী লানফমদা মহাক ঙসি মায়থীবা মীশক অমা ওইরবনি। খুন্নাইগী অকাম্বা লমচৎকী লাংদা মহাক থুরুবনি। ঐ মহাক্তা কায়নজরোই, ময়াম্না মহাক অমদি ঐবু ঙাকপীয়ু" চাওবনা থাজদনা হায়দোরকপা ৱাহৈদুদা থোইবী মখোল থোক্লা কপ্লকই। নুপাদুদি মহাক্কী অচৌবা দশা অমা নাম্থোক্লে হায়বগী ৱাখলদা খল্লুরবরা কৈনো, শ্বর অশাংবা অমা হোন্দোক্তুনা লুকথরিবা মমায়দু নোকফেৎ তৌখিমাল্লে। মতুংদা অমুক হন্না তৌগনু হায়না থোইবীদা ক্লবকী মীওইশিংনা য়ৌ-য়ৌ য়াম্না ঙাঙখি। সেক্রেটরিনা অইবা চে অমা পুথোরক্তুনা চাওববু শোই তৌহল্লে। চাওবা মাগী নুপীবু মখূৎ পায়দুনা ক্লবতগী তপ্না মপান থোকখ্রে। ময়াম পূম্নমক্লা ৱা অমত্তা হায়নদনা য়েংদুনা লৈহৌই।

লম্বীদা চাওবা অমদি থোইবী ৱা অমত্তা হায়নদে। থোইবীদি কপ্পদা মপূম থিৎলে। যূম য়ৌরগা মখোয় অনী মায়গা মায়গা ওনশিন্নদুনা ফল্লি। ৱা হৌদোক্লবা ঙমদে। কাদু পুমচিক চিকই।

"থোইবী, পূম্নমক ঐনা মতিক চাদবদগীনি, ঐ খঙই নহাক করিগুম্বা খরদি হোংলে হায়বা, অদুবু ঐ নঙোন্দা ৱা অমত্তা হায়হৌবা ঙমহৌদে। মতুংদদি অসুম্না তৌরনুকো, লৈত্রবসু ঐখোয় পূন্না শিমিন্নসি"

"ঐ য়াম্না লাল্লে"

"খল্লুরনু, নহাকপু ঐনা ঙাকপীরে"।

**—নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।